**PURSUITS 12 (2020)**
**ISSN 0976-4593**

Published by
Research and Publication Cell
IQAC, Srikishan Sarda College
Hailakandi, 788151, Assam (India)

# বরাক তম্পাক্তা মণিপুরী থিয়েটরগী খোঙহৌ

**হাওরোংবম রাজমনি**
দিপার্টমেন্ট ওফ মনিপুরী
আসাম য়ুনির্ভসিটি
*Email:rajmanih@gmail.com*

ৱাঁমচং:
বরাক তম্পাক হায়রগা ঐখোয়না খঙনরিবসি আসামগী দিষ্ট্রিক অহুম – কাছাড়, করিমগঞ্জ, অমসুং হাইলাকান্দি অহুমগী অপুনবা লমখৈবু খঙনৈ । তম্পাক অসিদা মৈতৈশিংনা তাংথক নাইনা ঙল্লিঙৈ মতমদগী খুন্দরকলে হায়না লৌনৈ । তম্পাক অসিদা লৈরিবা মৈতৈশিংগা মণিপুরদা লৈরিবা মৈতৈশিংগা নাৎকী লমদা খেন্নবা লৈতে। তম্পাক অসিদা ৱেষ্টর্ন থিয়েটরগী মশক অসি ২০ শুবা চহী চাগী অঙনবা শরুক্তগী হৌনা মণিপুরীশিংনা পান্না শান্নরক্লে ।

মরু ওইবা ৱাহৈ: বৈষ্ণব নাট্য, উদুখোল, ৱাস লীলা, প্রোসিনিয়ম থিয়েটর, কেগে লমজা অসিনচিংবা ।

ৱাহৌদোক : প্রোসিনিয়ম থিয়েটরগী খোঙহৌ-

বরাক তম্পাক হায়রগা ঐখোয়না খঙনরিবসি আসামগী দিষ্ট্রিক অহুম - কাছাড়, করিমগঞ্জ, অমসুং হাইলাকান্দি অহুমগী অপুনবা লমখৈবু খঙনৈ । তম্পাক অসিদা মৈতৈশিংনা খুন্দা-লৈতারকপসি চপ চাবা মতম হায়বদা খরা লুনা থোক্লবসু য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদগী খুন্দারম্লগনি হায়বগী থাজবা লৈ। প্রমাণ ওইবা য়াবা ৱাফম খরদং য়েংলবদি – খৃষ্টগী অহানবা চহীচাদা খম্লাংবনা তখেলদা চৎপদা তখেল নিঙোল কালিকাবু লোয়নবী ওইনা পুরক্লগা ককচিংদা লৈখিবা, মৈদিংঙু চলাম্বা, মৈদিংঙু মুংয়াম্বগী মতমদা ময়াং লৈবাক্তা মৈতৈ নিঙোল কয়া থাজখিদুনা ময়াং লৈমা ওইখিবা, মৈদিংঙু থংবী লাহুবগী মচা ইবুংঙো ক্বাকপা থৱান থাবনা ময়াং নিঙোল চীংঙুরেম্বী লুহোংদুনা লৌরকপা, মৈদিংঙু খাগেম্বগী মতমদা মনাও শানোংবনা ৱাকয়ৈ হিগী ৱাহৌদগী কাছাড়রোমদা লাক্লগা মৈত্রবাক্তা লান তৌনবা লান্মী খোম্লবা অসিখিবিক য়েংলগা বরাক তম্পাক্তা মৈতৈনা খুন্দাখিবসি য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদগী ওইরম্বা য়াই হায়বসি থাজনীংঙাই ওই । খরা থেংথরক্লবা মতম মহারাজ গরিবনিৱাজনা পানবা মতমদা তখেলগা লান তৌনবদা বরাক তম্পাক য়ৌরক্লম্বা, ভাগ্যচন্দ্র মহারাজনা মহাক্কী মাম খেল্লেনুংনাং তেলহৈবনা অৱাগা লৌতুনরগা হৌরকপা লালহৌদা মায়থীদুনা কাছাড়দা চেল্লকপা, মহারাজ মধুচন্দ্রগী মজাইবেম্মা ইন্দুপ্রভাবু কাছারী নিংথৌ কৃষ্ণচন্দ্রদা থাজবা, নিংথৌ ফম্বালগীদমক মৈতৈ নিংথৌ মচা

মশেন নুংঙাইনরক্তবগী অচেংবা তাঞ্জাদা অৱানা খুদোং চাবা লৌদুনা মৈতৈ লৈবাক কাং-খোং চাইহন্দুনা চহী তরেৎ খুন্তাকপা হায়বদু ওইখি। মৈতৈ খরা লানফা ওইনা বর্মাদা পুখি, অদুগা অয়াম্বা প্রজাশিং বরাক তম্পাক, ব্রহ্মপুত্র তম্পাক, তখেন অমসুং বাংলাদেশনচিংবা মফম কয়াদা  পাক শন্না মপাঙ্গল মরা চেৎনা খুন্দাবা হৌখি । অসূন্না খুন্দাখিবা অসিসু অতোপ্পা কাঙলূপকী নিংথৌ মখাদা য়াম্না তোন্না শৈদাংদুনা খুন্দাখিবা নত্তে। বরাক তম্পাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা হায়বদি - চৌরজিৎনা সোনাইগী “দুঙ্গুরীপার”, মার্জিৎনা “ঝাপিরবন্দ” অমসুং গম্ভীর সিংহনা ‘গুমরা’ হায়রিবা মফমশিংসিদা নিংথৌ খুভম শেমদুনা লৈরম্লবনি । য়ানবা অমগী মখাদা বৃটিশতা কাছাড় লৈবাক শীনরম্লগা মণিপুরদগী অৱা তান্থোকখিদুনা গম্ভীর সিংহনা মণিপুরগী নিংথৌ ওইখি । মণিপুরগী নিংথৌ ওইরবা মতুং ফাওবদা তংদু লৈতানা লৈহৌরিবা মৈতৈ প্রজাশিংগীদমক খন্দুনা গম্ভীর সিংহনা বরাক তম্পাক মতমদুগী ‘কাছাড়’ লৌশিন্নবা কন্না হোৎনরম্মী । মতৌ অসুন্না বরাক তম্পাক্তা খুন্দারিবা মৈতৈশিং অসিনা মরমদম মণিপুর, মজাতি, মনিংথৌশিংবু লুনা নীংজবা অমসুং মশামক মৈতৈ অমনি হায়না চাউথোকচবগী ৱাখল থাদোক্তবা মরম্না মৈতৈগী ওইবা থাজনবী (Belief), চৎনরোল (Custom), হরাও-কুম্মৈ (Festival), য়ূমশা-কৈশা (Architecture) ফিজেৎ-লৈতেং (Costume), চাকচা-য়িথক (Food ways / food habits) অসিখিবিক ঙসি ফাওবদা ঙাক্লা চৎলি । করিগুম্বদা কূপ্না থিজিল্লগা মণিপুরদা মাঙখ্রে হায়না লৌনরিবা চৎনবী কয়া অমা বরাক তম্পাক্তা হিংদুনা লৈরিবগী মশক কয়া অমসু উবা ফংলি।

থিজিনবগী পথাপ:

বরাক তম্পাক্তা প্রোসিনিয়ম থিয়েটরগী খোঙহৌগী মতাংদা অইবা সেমিনার চোফোঙ অমসুং লাইরিক্লচিংবা মতিক চানা লৈত্রি । মচাক খোমজিনবদদা রিছার্চরনা তোঙান-তোঙানবা মীওই কয়াদগী ইন্টর্ভিয়ু তৌদুনা দেটা খোমজিনখি। নৈনবা য়াবা লাইরিক খরদি আসাম য়ুনিভর্সিটি গী লাইব্রেরী, বরাক ম্যুজিয়মগী লাইব্রেরীনচিংবদগী মতেং লৌখি।

নৈনবা:

বরাক তম্পাক্তা খুন্দারিবা মৈতৈশিংনা মণিপুরদগী শাগোন্নদুনা লোয়নরক্লিবা থিয়েটরগী মচাক য়াওবা ‘লাই হরাওবা, বৈষ্ণব নাট্যগী মশক ওইবা ‘রাস’, ‘গোষ্ঠলীলা’ নচিংবা কয়া মান্দবতা, শুমাংদা, লৌবুক লক্ষাংদা মান্দব খল্লগা শান্নরম্মী । অদুবু হৌখিবা চহী কুন্থ্রামুক্কী মমাঙদগীদি রাস অমসুং গোষ্ঠলীলা নত্তনা উদুখোল, গৌরলীলা নচিংবদি উখিদ্রে হায়বা য়াই ।

বরাক তম্পাক্তা খুন্দারিবা মৈতৈশিংনা মণিপুরদা লৈরিবা মৈতৈশিংদগী বেঙ্গলী অমসুং বৃটিশকা মরী লৈনদুনা মখোয়গী হরাও কুম্মৈগী মশক খঙবা হাল্লি হায়বা য়াই । কুম্মৈশিংগী মৎক্তা প্রোসিনিয়ম থিয়েটর অসি বৃটিশশিংদগী বেঙ্গলীশিংনা তম্লগা, বেঙ্গলীশিংদগী অমুক তোৎন-তিনদুনা লৈরিবা মৈতৈশিংনা তমদুনা মথং মথং মণিপুর য়ৌখিবনি । প্রোসিনিয়ম

থিয়েটর অসি বরাক তম্পাক্কী মৈতৈশিংনা মণিপুরগী মৈতৈদগী শকখঙবা হাল্লবসু খোঙহৌ খোঙজেলদি মঙম শান্দ্রবা খোঙচৎনি । মসিগী মঙম শান্দবগী মরমসু লৈতবদি নত্তে । মরু ওইবা মরম খরদং পল্লবদা - (১) মৈতৈগী হান্নদগী লৈজরকপা বৈষ্ণব নাট্যগী মশক ওইবা জগোই রাস, গোষ্ঠ লীলা, উদুখোল অসিখিবিক্লা য়াম্না মরা চেৎনা লৈতাদুনা লৈবা, (২) বরাক তম্পাক্তা লৈরিবা মৈতৈশিংনা মীতৌ তম্বগী ৱাখল য়াওনরমদবা, করিগুম্বদা তন্নীংবা য়াওনরবসু নোক্লবা কনবা, ইন্থোক্লবা কনবা সমাজগী চৎনবী লৈবনা মকা ফোংবা ঙম্নদবা, (৩) লৈবাক তোঙানজরবসু মণিপুরগী নিংথৌবু মশামক্কী লৈবাক্কী নিংথৌমক্লি খঞ্জবা, নিংথৌগী অয়াবা য়াওদনা সমাজদা অনৌবা চৎনবী হৌদোকপা পান্নদবা, (৪) সুমাং লীলা, দ্রামাবু নট সংকীর্তনদগী ৱাংনা লৌনরমদবা অসিনচিংবা । অদুম ওইনমক তম্পাক অসিদা ১৯শুবা চহীচাগী লোইশিল্লকপা শরুক ২০শুবা চহীচাগীনা হৌগৎলকপা মতমদা মৈতৈগী স্বস্তি পূজাদা বাংলা নাটক কৌথরগা শানহল্লম্বগী ৱাফম খরা থেংনৈ ।

মণিপুরদা প্রোসিনিয়ম থিয়েটর মমি খৃষ্টকুম ১৯২০ দা রাজা ডুম্ব্র সিংহগী মান্দবতা বাংলা লোন্দা প্রবাস মিলন শান্নবা অসিনা অহানবনি । অসুন্না মথং- মথং মেৱার পটন, রিজিয়া, বঙ্গেবর্ঞ্জ, সীতা, ইরাণের রাণী, কর্ণার্জুন, পৃথিরাজ, সংযুক্ত নচিংবা মথং-মথং মণিপুরদা বাংলা নাটক্কী শক্তম লৈখি । অসুন্না চথথরকপনা ১৯২৫দা লাইরেনময়ুম ইবুংঙোহলগী *নরসিংহ* অসিনা মৈতৈলোনগী অশেংবা অমসুং অহানবা ঐতিহাসিক নাটকনি। মৈতৈগী থাজৱারী (Legend) নৎত্রগা ইতিহাসতা য়ূম্ফম ওইরগা শান্নবা দ্রামা অসি মণিপুরদগী বরাক তম্পাক্তানা চহী ৭ / ৮ মুক হাল্লি হায়বা য়াই ।

বরাক তম্পাক্তা মৈতৈলোন্দা শান্নবা প্রোসিনিয়ম থিয়েটরগী মশক অসি ২০শুবা চহীচাগী অনীশুবা ডিকেদকী লোইশিল্লকপা শরুক্তগী ঙনখৎনা উবা থেংনদ্রি । অদুবু খরা কূপথনা থিজিল্লবিদ মৈতৈনা বাংলা লোন্দা শান্নবা নৎত্রগা বাংলাগা মণিপুরীগা য়ানশিন্নবা মওংগী লোন্দাদা শান্নবা, বাঙ্গালীশিংগী নাটকতা মৈতৈনা কলাকার ওইনা য়াওরম্বা য়াই হায়বসি থাজনীংঙাই ওই । মৈতৈলোনদা শান্নবা খ্বাইদগী ইহান হাল্লি হায়না লৌনরিবা প্রোসিনিয়ম থিয়েটরগী মশক অসি খৃষ্টকুম ১৯১৮গী ফেব্রুৱারী থাদা শিলচরগী মধুরা মুখকী মান্দবতা ‘মীতৈ ছাত্র মরূপ’ কৌবা সংস্থা অমনা সরস্বতি পূজাগীদমক শীন-লাংদুনা উপাক্লা ফম্বাক (ষ্টেজ) শেমদুনা *মোইরাং পর্ব্ব* শান্নখি । দ্রামা অসিগী অইবগী মিং পনবদা ৱানা থোকই । লীলা অসিবু লমজিং লমতাকখিবদি ক্ষেত্রিময়ূম ধর্ম সিং (রোংপুর) অমসুং হাউদৈজম দীনমনি (মণিপুর) নি । লীলা অসিদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংদি - খম্বা - কোংখাম মেরাচাউবা (শিলচর, তারাপুর), নোংবান - ঙারিয়ানবম প্রয়ধ্বজ (রাণীপুৎ), থোইবী - লোংজম যোগীন্দ্র (বদরপুর), থোংলেন - ক্ষেত্রিময়ুম ধর্ম সিং (রোংপুর), চাউবা- হাওদৈজম দীনমণি (মণিপুর), শেউরা - পুস্কোর (মণিপুর), মোইরাং নিংথৌ - ঙারিয়ানবম বসন্ত (রাণীপুর), চীংখুবা - নাওরেম রাধামোহন (রোংপুর), সেনু - খাঙেনবম বাগীন্দ্র (সিঙ্গেরবন্দ), তোরো - সনসম রাধামোহন (শিলচর, তারাপুর) অসিনচিংবা । লীলা অসিদা শীজিন্নবা শিন্দি শিলচরগী রিদিং এন্ড দ্রামাটিক ইন্সটিট্যুসনদগী ৱাইদুনা শীজিন্নখি ।

লাইটতি ফম্বাক্তা পেট্রোমেস্ক অমা, ভাবক্কী মরক্তা পেট্রোমেক্স অমা থাল্লি । ফিজেৎ লৈতেংদি লৌরিবা পার্ট অদুগা চান্ননা মশা মশানা শেম শানৈ । খামেন চপ্পা ফৈজোম সংকীর্তনীয়া অমসুং পেনা খোংবা ওজাশিংদগী রায়নৈ । মায়দা অমুবা মচু য়েকপা খোৎপগীদমক থাউমৈ তেঙ্গালীগা য়ুবী থাউগা তিনশিল্লগা শেম্মী । পাউদর অমসুং সিন্দুর শীজিন্নৈ । নুপী শাবদা শমাংদোং, তোরোগীদি লিমোনদা মচু শঙলগা ইফা ফানা শেম্মী । যন্ত্রদি ধুলোক, রামতাল অমসুং পেনা শীজিন্নৈ । ইন্টরভেল য়াওনা পূং অনীমখায়মুক শান্নবা লীলানি । কলাকারশিং প্রোম্প তৌবগী দরকার তারমদে চিনফা ঙাক্তনি । 'মীতৈছাত্র মরূপ' না মথংগী সরস্বতি পূজা ১৯১৯গী ফেব্রুৱারীদসু অমুক *হরিশ্চন্দ্র* দ্রামাবু বাংলাদগী মৈতৈরোন্দা খাঙেনবম বাগীন্দ্র অমসুং স্নাহল (বাসকান্দি) না হন্দোক্তুনা মমাঙ চহীগী মফমদুমক্তদা ষ্টেজ শেমদুনা শান্নখি । মেকঅপ হান্নদগী থোইদোকপা অহেনবা লৈতে । শরুক য়াখিবা কলাকারশিংদি – বিশ্বমিত্র – স্নাহল সিংহ (বাসকান্দি) অমসুং লোইতোংবম জয়বিদ্যা (মণিপুর), শিষ্য – ঙারিয়ানবম প্রিয়ধ্বজ (রাণীপুর), রুহিদাস – লাইরিক য়েংবম কুমার (উধারবন্দ), সোরারেল – সোহ্নৌজম পরমানন্দ (শিলচর জেল মমাঙ), মন্ত্রী – কোহ্নৌজম রাজেন্দ্র (শিলচর, জেল মমাঙ) লীলা অসি মীয়াম্না য়াম্না থাগৎনখি, অদুনা শিলচরগী তোঙান তোঙানবা মফম খরদা শান্নবা চৎখি হায় । ম্যুজিক অমসুং লাইট মমাঙগীদগী অহোংবা লৈতে । চহী অসিমক্তদা সংস্থা অসিনা *ধ্রুবচরিৎ* পু বাংলাদগী মৈতৈলোন্দা খাঙেনবম বাগীন্দ্র অমসুং স্নাহল অনীনা হন্দোক্তুনা শান্নখি । লীলা অসিগী মনুংদা ঈশৈগী শরুক্না কোংখাম মেরাচাউবনা ইবিরম্মী । ঈশৈ মতেক খরাদং থমজরি :

ঙসি কোরৌ নোংজাদা
ইমা ইরোম্না লেংজবা
ঈশৈনা কৎচরি নখুয়াদা
ননাই ঐখোয়না লৈরাং ওইদুনা ...

মতাং অসিদগীদি হারমোনিয়ম শীজিন্নরে । স্লো (মায় তৈনবা) সু শীজিন্নরে। লাইট হান্নদগী অহোংবা লৈতে । শরুক য়াখিবা মীওইশিংদি – কৃষ্ণ – অহৈবম অমু সিংহ (শিলচর, তারাপুর), মহাদেব – ঙাঙোম ইন্দ্রমণি (শিলচর, তারাপুর), ধ্রুব – সলাম মঙ্গল (শিলচর, তারাপুর), বিঘন – খঙেনবম বাগীন্দ্র (সিঙ্গেরবন্দ), উত্তম – কোংখাম বীরচন্দ্র (শিলচর, তারাপুর), সুরুচি – হিজম রমণ (শিলচর, তারাপুর), উত্তানপাদ – লোইতোংবম জয়বিদ্যা (মণিপুর) অসিনচিংবা ।

খৃষ্টকুম ১৯২০-২২ গী মনুংদা মোংজম চাউবনা *রমায়ণ* বু বাংলাদগী মৈতৈরোন্দা হন্দোক্তুনা অমসুং লমজিং লমতাক্তুনা পার্টিগী মিং য়াওদনা মীওই খরনা শিলচর বেরাখালদা শান্নখি । লীলা অসিদা রাম, সীতা, লক্ষণ নচিংবা মীওইবগী শকলৈ-শকওঙদা লৈতবা শক্তমশিং হায়বদি হিংচাবগীনা হিংচাবগী মায়খুম, য়োংনা য়োংগী মায়খুম উপতুনা শান্নখি । লঙ্কা মৈ থাববু অশেংবা ওইনা উৎননবা মনীংগী স্ক্রিন হাইদোক্লগা ষ্টেজগী ৱাংমদা য়ুম মচা মচা শাদুনা মৈ থায় । যন্ত্র শীজিন্নবদা হান্নগীদগী সেতার হেনগৎলে । শরুক

য়াখিবা কলাকার খরদং পল্লবদি – সীতা পাঙবম কন্যা (শিলচর, তারাপুর) লব – খাইদেম সুরেন্দ্র (শিলচর, তারাপুর), কুশ – ফুরাইলাৎপম ব্রজমোহন শর্ম্মা (শিলচর, তারাপুর), রাবণ – কোন্সম নীল সিং (শিলচর টুকো) অতৈ কলাকারশিংগী মরী-মখোঙ তাকপদা ময়েক শেংবা ঙমদে।

খৃষ্টকুম ১৯২৫ গী অদুবাইদা বনতারাপুরদা মংশাতাবম ববাচানা শীন লাংদুনা পন্দাময়ুম মান্দবতা *মোইরাং পর্ব্ব* ষ্টেজতা শান্নে। অদুবু লীলা লোইদ্রিঙৈদা ভাবক অয়াম্বা হন্নখি। লীলাদুদা ববাচা মশামক্না খম্বা, ৱাহেংবম গুলামজাৎনা নোংবান শাখি । অতৈ কলাকারসিংদি পনবদা লুনা থোকই। খৃষ্টকুম ১৯২৮ দা সিঙ্গেরবন্দ খুঞ্জাশিংনা ঐজ্জাশিংনা ঐজ্জাচৌ রামনারায়ণগী মান্দবতা মহাভারতকী মতাং অমা শান্নখি। মায় পাকখি হায়বগী খুদম ফংদে। শক্তম লাংখিবশিংদি – যুধিষ্ঠির-নাম্রম শাজৌ, ভীম – মাইস্নাম বীর সিংহ, অতৈ কলাকারশিংদি পনবদা লুনা থোকই। খৃষ্টকুম ১৯৩২ দা অমুক সিঙ্গেরবন্দ ঐঞ্জাচৌগী মান্দবতা অতোপ্পা খুনগী খুঞ্জা খরগা লোয়ননা বাংলা লোন্দা *অভিমন্যু বদ* শান্নে। কাঙেনবম গৌরচন্দ্রনা লমজিং লমতাকখি হায়। ষ্টেজগী নাকন অনীদা গ্রীনরুম শেম্মী। যন্ত্রদা মৈতৈ পুং অমসুং মন্দিলা শীজিন্নে। ফিজেৎ - লৈতেংদি শিলচরদগী ৱায়নরুই। ইন্টরভেল য়াওনা পুং অহুম হেন্না শান্নে। শরুক য়াখিবা মীওইশিংদি – অভিমন্যু – য়েংখোম মেঘ, দুর্যোধন – য়েংখোম বাবু, দুশাসন – ফুরিৎশাবম বাবুধন, কর্ণ – হাংবম ধন, জয়দ্রথ – লাইরেল্লাকপম চাউবা, দ্রোণাচার্য্য – মুতুম মান্দবঙানবা, উত্তরা – মুতুম থম্বালমচা অসিনচিংবা। খৃষ্টকুম১৯৩৫ দা ফুরাইলাৎপম ললিত মোহন শর্ম্মানা *রামায়ণ* মৈতৈলোন্দা হন্দোক্লুনা শিলচর বেরাখালদা শান্নখি। দুকান্দগী রেদিমেদ কোই লৈদুনা শীজিন্নরে। শরুক য়াখিবা কলাকারশিংদি – রাম – ফুরাইলাৎপম ললিত মোহন শর্ম্মা (বেরাখাল), সীতা – থিংবাইজম সুনামণি (তুকো), বাল্মিকী – মোইরাংথেম তোঞ্জৌ (বেরাখাল) অতৈ কলাকারশিংদি পনবদা লুনা থোকই। খৃষ্টকুম ১৯৩৬ দা সিঙ্গেরবন্দগী মহাদেব লাইবুংদা ষ্টেজ শেল্লগা *বনপর্ব্ব* বাংলাদগী মৈতৈলোন্দা হন্দোক্লুনা শান্নখি । হন্দোকপগী মমিং পনবদা লুনা থোকই। লীলা অসি ইরোম মণীন্দ্রনা লমজিং লমতাকখি। লীলা অসি চহী মরিমুক কলাকার শীন্দোক-শীনজিন তৌদুনা মায় পাক্না শান্নরম্মী লাইটকী ফিভমসু হান্নদি হাফলেম্প শীজিন্নরম্বদু 'হাজার' হায়না খঙনবা পেট্রোমেস্ক অচৌবা অয়ানবী শীজিন্নরে। লীলা অসিদা সাপম নিংথেম্না ভীম অমসুং কুঞ্জোনা যুধিষ্ঠিরগী শক্তম লাংখি।

খৃষ্টকুম ১ ৯৪০দা বনতারাপুরদা শামুরাইলাৎপম মান্দবতা মণিপুরদগী কায়েন শিজ কৌবা নুপা অমনা তম্বীদুনা শান্নখি। স্ক্রিনদি ফৈজোম তাইরগা শীজিন্নরম্মী। মৈদি ভাবক্তা পেট্রোমেক্স অমা ষ্টেজদা পেট্রোমেক্স অমা থাল্লি। ফিজেৎ লৈতেংদি মশা মশানা চান্নগদবা য়েংদুনা পোৎলোই শুবা মীদগী ৱায়নৈ। লীলা অসিদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংদি – খম্বা-য়োংখোম নীনী, থোইবী – ৱাহেংবম কেশ্বর, থোংলেন- মংশাতাবম ববাচা, নোংবান-মুতুম থম্বালজাউ, ফৈরোইজাম্বা –কোইজম অঙৌ, শেউরা- চোংথাম অমুথোই, যুবরাজ-ৱাহেংবম গুমলামজাৎ, চাউবা-মুতুম চীনগাং, শেনু- য়েংখোম কান্দে, খম্নু-মুতুম রাইসো অসিনচিংবা

। লীলা অসি থোইদোক্লা মায় পাকখি হায়নৈ । অদুবু অহল ময়াম্না অমত্তদগী য়েংবসি ভাবক্তা নুংঙাইতে, মায়কৈ মরিমক্তগী য়েংবা য়াবা শুমাং লীলাগী মওঙদা শানৌ হায়না কন্না হায়মনবদগী প্রোসিনিয়মদগী শুমাং লীলা তাথখিদুনা শুমাং লীলাগী অফাওবা কাঙবু অমদি ওইখি ।[৯] খৃষ্টকুম ১৯৪৬দা *পুত্রপরিচয়* শ্রীগৌরমণি শর্ম্মাগী মান্দব শিলচর তারাপুরদা শান্নৈ। স্ক্রিন অমসুং ড্রোপ সিন অনী শীজিন্নৈ । মমাংদা অমুবা ড্রোপ সিন, ময়ায়দা লম্বী অমসুং কোনুং গী রোলিং সিন, মনীং থংবা শরুক্তি ইহাং হাংনা মহৌশাগী ওইবা অশেংবা হৈপাল -লৈপাল উৎপগী মওঙদা থম্মী । লাইট বক্স শীজিন্নরে । ঈশৈ অমসুং জগোইগী শরুক খরা হাপচিল্লি । শরুক য়াখিবা কলাকারশিংদি – বভ্রুবাহন -কোংখাম জয়ন্ত (শিলচর, তারাপুর), অর্জুন – বাচস্পতি ময়ুম গৌরমণি শর্ম্মা (শিলচর,তারাপুর), চিত্রাঙ্গদা-শাজৌতোম্বী (ঝাপিরবন্দ) ,কৃষ্ণ-সনাতোম্বা শর্ম্মা (শিলচর,তারাপুর) ।[১০] চহী অসিমক্তদা অমুক ইম্ফালদগী দেবলা দেবী স্কৃপ পুরক্তুনা মান্দব অসিমক্তদা মায় পাক্লা শান্নখি । শক্তম লাংখিবা কলাকারশিংদি – খিজির খাঁ – বাচস্পতিময়ুম গৌরমণি শর্ম্মা, গাফুর খাঁ – ক্ষেত্রিময়ুম চূড়ামণি , আলাউদ্দিন – কোংখাম জয়ন্ত, গনপদ – সমাতোম্বা শর্ম্মা, দেবীদাস- ক্ষেত্রিময়ুম মৈনা, দেবলা দেবী - হাওরোংবম বলহভ, মোতিয়া-ঙাঙোম তোমাল অসিনচিংবা মখোয় পূন্নমক তারাপুর গী মীওইঙাক্তনী ।[১১]

অনীশুবা লাজ্জাউ মতুং খৃষ্টকুম ১৯৫০-৫১ অদুৱাইদগী হৌনা মণিপুরগী এক্টর্স য়ুনিয়ননচিংবা থিয়েটর সংস্থা কয়ানা বরাক তম্পাক্কী মফম কয়াদা চত্তুনা তম্পাক অসিগী মণিপুরীশিংদা অনৌবা মহাও অমা পীদুনা থিয়েটরগী ঈহৌ অমা লাকহনখি হায়বা য়াই । খৃষ্টকুম ১৯৫৬ তা বনতারাপুরদা লাইশ্রম নবকিশ্বরনা লমজিং লমতাক্তুনা *ভাগ্যচন্দ্র পার্টৱান* অমসুং *ভাগ্যচন্দ্র পার্ট টু* ঐজ্ঞা ব্রজলালগী মান্দবতা শান্নখি । লীলা অসিদা লাইশ্রম নবকিশ্বর (দাইরেক্টর) মশামক্লা ভাগ্যচন্দ্র শাখি । খেলৈনুংনাং তেলহৈবা – য়েন্দ্রেম্বম লড়ু, লাবণ্যচন্দ্র – লাইশ্রম রাজকিশ্বর, মধুচন্দ্র – সেঞ্জম কৃষ্ণমোহন, নিংথৌমনাই – নিঙোম্বম বিদ্যা, ভবানন্দ মংশাতাবম বিজয়, খেলৈনুংনাং তেলহৈবগী মচানুপী – গুণ, কুরঙ্গনয়ণী – ঙৌবীতোন শর্ম্মা (নট শৈশকপী) তেখাও নিংথৌ রাজেশ্বর – তোনসিংহ, প্রোম্পতা লাইশ্রম য়ুগেস্বর, লীলাসিগী সিন মার্কিন ফিদা হাওরোংবম য়ুগলসিংনা য়েকই । সিন মখল অহুম শীজিন্নৈ হায় । ম্যুজিক্তা ধুলোক, রামতাল, হারমোনিয়ম, ৱাগী বাঁশী, পুকম মতাং মতাংদা য়ৈ । লাইট হাপলেম্প বোক্স শেম্লগা ভাবক্তা মৈ মমহল্লি ।

জারিবন্দ মায়কৈদা খৃষ্টকুম ১৯২৭ কী অদুৱাইদগী মশাগী ওইবা শুমাং লীলা শক্তম অমা লাকপা হৌখ্রবসু প্রোসিনিয়ম থিয়েটরগী মশক্তি য়াম্না থেংনা খৃষ্টকুম ১৯৫৬ তা য়াহৌরকখি। চহী অসিদা ডাঃ কমলগী মাধবী উপন্যাসতা য়ুম্ফম ওইরগা *উরীরৈ মাধবী* হায়না মিংথোন্দুনা থা তরুক চঙনা নাওরেম লালমোহননা তম্বীদুনা লাইশ্রম খুন্দা শান্নখি । লীলা অসিদা শক্তম লাংখিবশিংদি – বীরেন – নাওরেম অমুস্না, ভুবন – লাইশ্রম বাসনা, ধনঞ্জয় – থিকনাম গোপাল, নবীন – নাওরেম লালমোহন, ড. রাজেনদ্র – মোইরেংজম হরেন্দ্র, উরীরৈ – মোইরেংজম লৈরাং, মাধবী – লাইশ্রম কুন্দালৈ অসিনচিংবা । যন্ত্রদা

তবলা, হারমোনিয়ম, মন্দিলা, বাঁশীনচিংবা শীজিন্নরম্মী । খৃষ্টকুম ১৯৫৮ গী আগষ্টকী তাং ১৩ দা কাছাড়গী বাঁসকান্দি হায়স্কুলদা বীর টিকেন্দ্রজিৎ লীলা ষ্টেজ শাদুনা শান্নখি । লীলা অসিদা শক্তম লাংখিবশিংদি - ঙারিয়ানবম নবদ্বীপ - মিষ্টর গ্রিমুদ, আগর গুলাব - মিষ্টর কুইন্টন, মিসেস গ্রিমুদ - নোংথোম্বম কুঞ্জমোহন অসিনিচংবা ।

মণিপুরগী থিয়েটরনা পীরম্বা ইৱাই ইনিলনা খৃষ্টকুম ১৯৫৮ দা লক্ষীপুরদা 'লক্ষীপুর চেরিটেবল ড্রামা হোল' খুমনদা লিংখৎতুনা অহানবা ওইনা *থাবল্লে* ড্রামা শান্নখি । শক্তম লাংখিবশিংদি - বিষ্ণু - ওক্রম ধনঞ্জয়, শ্যাম - ইঙুদম সুনামণি, থাবল্লে - খাইদেম লৈমাচাউবী, রাধে - ৱাইরাকপম ইবেম্চাল অসিনচিংবা । লাইটতা মচু শীজিন্নরে । মসিগী মতুংদা হোল অসিদা *নিঙোল চপ্টর ৱান, বীর টিকেন্দ্রজিৎ, য়াইরিপোক থম্বালনু* অসিনচিংবা শান্নখি । খৃষ্টকুম ১৯৬০ গী অদুৱাইদা জারিবোন থিংগোম খুন্দা শীতলজিৎকী থাদোকপা উপন্যাস ড্রামাটাইজ তৌদুনা নুপীমচাশিংতনা শান্নখি । মসিবু লমজিং লমতাকখিবদি থিংগোম বিনোদ বিহারী অমসুং ঈশৈ নোংমাইগী ওজানা সেঞ্জম কল্যাণ সিংহনি । খৃষ্টকুম ১৯৬১ দা লক্ষীপুর আর্ল হাইস্কুলদা আগষ্ট ১৩ নীংশিং নুমিৎতা মরী লৈননা থৌদাম দেবেন্দ্রনা ইবা *বীর টিকেন্দ্রজিৎ* ড্রামা শান্নখি । খৃষ্টকুম ১৯৬১ দা বনতারাপুরদা লাইশ্রম যুগেশ্বর অমসুং লাইতোঞ্জম কৃষ্ণমোহন অনীনা শীন - লাংদুনা *মধুমালতী, নিঙোল পার্ট ৱান* অমসুং *নিঙোল পার্ট টু* শান্নখি । লীলা অসি লাইশ্রম যুগেশ্বরনা তাকপী তম্বীখি । খৃষ্টকুম ১৯৬২ দা করিমগঞ্জ জিলাগী মনুংদা লৈবা হিংলাদা *মাইনু পেমচা, কেগে লমজা, থম্বালনু* নচিংবা ড্রামা কয়া শান্নখি । কেগে লমজা ড্রামাগী সেরিকলচর ওফিস শাবগী থৌরমদা উৎখি । মরু ওইবা কলাকার খরদং পল্লবদি - ফাঙৌবম নিঙোল জিনী, হামোম নিঙোল কবোকলৈ, হামোম নিঙোল ফজবী অসিনচিংবা। খৃষ্টকুম ১৯৬৪ দা জারিবোনদা সোরাম বাবুসনানা ইবা *য়ুমলৈমা* কৌবা ড্রামা নিমাইচান্দপুর হাইস্কুলদা শান্নখি । অইবা মশামক্না ডাইরেক্সন পীবনি অমসুং কলাকার অমা ওইনা য়ুমলৈমগী শক্তম লাংখি । অতৈ কলাকারশিং - হৈক্রুজম ইন্দ্রমণি, থাংজম থম্বালঙৌ, খুমোংময়ুম উপেন্দ্র, খাইদেম মতিন, খুমোংময়ুম ধনেশ্বরনি । কাঙবু অসিদগী মীওই খথা শীন্দোক শীনজিন তৌরগা বামোন লৈকাইদা *অনীশুবা নিঙোল* অমসুং *বীর টিকেন্দ্রজিৎ* শান্নখি । খৃষ্টকুম ১৯৬৮ দা হাওরোংবম অমরেন্দ্রনা ইবা *ৱাশক* অইবা মশামক্না তাকপী তম্বীদুনা বনতারাপুরদা ফোঙখি । জিরিবামনচিংবা মফম কয়াদা লীলা অসি উৎলুই । খৃষ্ট কুম ১৯৬৫ দা মাছপাড়দা মাছপাড় আর্টিশ য়ুনিয়ন লিংখত্তুনা মাইবম রামচরণকী *য়াইরিপোক থম্বালনু* বু সোরাইসম বিজয় (পুং য়ৈবা) অমসুং পুখ্রম্বম সনাবা (ৱারী লীবা) অনীনা চহী মঙা মুক মীয়াম্না পাম্নমা শান্নখি । খৃষ্টকুম ১৯৭০ গী মতম অসিদা জারিবোন থিংগোমখুন অমসুং অতৈ খুনগী কলাকার কয়া পুনশিল্লগা য়াইরিপোক থম্বালনু শান্নখি । তাকপী তম্বীখিবা ওজাদি থিংগোম বিনোদ বিহারীনি । মথংদা সোরাইসম পুন্সিগী *নুংশি লমণ* অইবা মশানা ডাইরেস্কন পীদুনা শান্নখি । খৃষ্টকুম ১৯৭৬ দা বামমালুগ্রাম অমসুং রাম প্রসাদপুরদা খোমদ্রাম অশ্বিনীনা ডাইরেক্সন পীদুনা নাউরেম চন্দ্রমোহনগী *সহি* মায়

পাকনা শান্নখি । খৃষ্ট কুম ১৯৭৪ দা য়ুম্নাম ইন্দ্রবাবুনা ইবা *ঐ মীহাৎপা নত্তে* হায়বা দ্রামা অমা অইবা মশামক্লা লমজিং লমতাক্তুনা কাছাড়গী তোঙান তোঙানবা মফমদা চত্তুনা মায় পাক্লা শান্নখি ।

ৱারোইশিন

বরাক তম্পাক্তা প্রোসিনিয়ম থিয়েটরগী খোঙচৎ অসি তপ্না তপ্না খোঙজেল কনখৎলক্লবসু সেমিনার, ৱার্কসোপ অমসুং ফেস্টিবেলনচিংবা তৌনরমদে । অদুবু খৃষ্টকুম ১৯৮৬ দগীদি মণিপুরী লিটরেরী  ফোরাম, আসামগী মিংদা য়ুম্নাম ইন্দ্রবাবুনা চেন-চোংদুনা হোৎনজরগা দ্রামা ফেস্টিবেল হৌদোকখি । ফেসিটিবেল অসি খৃষ্টকুম ১৯৮৬, ৮৮, ৯১, ৯৩, ৯৪, ৯৭ তা মথংশীৎনা রাণীপুর, সংস্কৃতি ভবন, কোরোইকান্দি, শ্রীবার, চান্দপুর অমসুং দিষ্ট্রিক লাইব্রেরীদা থংনবা অনীরক পাঙথোক্লম্মী । ফেস্টিবেল অসিনা বরাক তম্পাক্তা থিয়েটরগী অচৌবা ইৱাই ইনিল অমা পীরমদুনা খুঙগং খুঙগং খুদিং থিয়েটরগী সংস্থা কয়া লিংখৎনরক্তুনা ফেস্টিবেল অসি য়াওনবা হোৎনরম্মী । অদুবু ঙসিদি ফেস্টিবেল অসিদা তেংবাংবিবা ৱাৎপদগী পাঙথোকপা ঙমদ্রে । লোয়ননা তম্পাক অসিদা থিয়েটরগী খোঙজেন মমি শামলকপগী লম্বীরোমদা নকশিল্লক্লি হায়বা য়ারে ।

মরী মখোঙ –

১। তাকপীরকপশিং (১) ওয়নাম লালা সিংহ (চহী ৮৪, পোথারবা হেদমাষ্টার বনতারাপুর)

(২) লাইশ্রম রাজকিশোর (চহী ৭৮, বনতারাপুর)

(৩) য়েংখোম লৈরীখোম্বা (চহী ৯৮, বনতারাপুর)

২। নোংথোম্বম নোনিগোপাল, “কসারদা মীতৈ ড্রমাগী ঈহৌ” খোরিরোল, ৫শুবা মশীং লক্ষীপুর, নহারোল খোরিরোল সিল্লুপ, আসাম, অগাষ্ট ১৯৮০ লাঃ ২৮, ২৯ ।

৩। মথক্কীসিদা, লাঃ ২৯ ।

৪। মথক্কীসিদা, লাঃ ২৯, ৩০ ।

৫। মথক্কীসিদা, লাঃ ৩০ ।

৬। তাকপীরকপা য়েংখোম লৈরীখোম্বা (চহী ৯৮) বনতারাপুর (১৫-১১-০৮)

৭। মথক্কী জর্নেলদগী, লঃ ৩১ ।

৮। মথক্কীসিদা, লাঃ ৩২ ।

৯। তাকপীরকপা – ওয়নাম লালা সিংহ (পোথারবা হেদমাষ্টর) বনতারাপুর (১৫-১১-০৮)

১০। মথক্কী জর্নেলদগী, লাঃ ৩২, ৩৩

১১। মথক্কীসিদা, লাঃ ৩৩ ।

১২। তাকপীরকপা হাওরোংবম অমরেন্দ্র (চহী ৬৫, জ্যোতিষ শাস্ত্রী) বনতারাপুর (১৬-১১-০৮) ।

১৩। সুব্রাম, "জারিবোন লৈবাক্তা ড্রামা অমসুং সুমাং লীলা" পোক্নফম, শিলচর, আগষ্ট৩১, ২০০৮ ।

১৪। তকপীরবা, ঙারিয়ানবম নবদ্বীপ সিংহ (চহী ৮০, পোথারবা হাইস্কুল হেদমাষ্টর ) । রাণীপুর, (৯-১২-০৮)

১৫। তাকপীরকপা, ইঙুদম শতিষ চন্দ্র ( চহী ৬৫ ) লক্ষীপুর খুমন ।

১৬। তাকপীরকপা আই. এস থিংগোম ( চহী ৫৫) শিলচর তারাপুর (৭-১২-০৮)

১৭। সনথোঙ, সেপ্টেম্বর ২০০১ ।

১৮। তাকপীরকপা মুতুম বাবাচান্দ (চহী ৭৫) বনতারাপুর (১৬-১১-০৮)

১৯। ফাঞ্জৌবম ইবোতন সিংহ (চচহী ৫৮) প্রধান গুরু, জে. এন. মণিপুর ডান্স একাদেমী, ইম্ফাল (২৬-১০-০৮)

২০। পোক্নফম, শিলচর, আগষ্ট ৩১, ২০০৮।

২১। তাকপীরকপ, হাওরোংবম অমরেন্দ্র ।

২২। তাকপীরকপা য়ুম্নাম ইন্দ্রবাবু (চহী ৫৫, পয়লাপুল) ।

২৩। তাকপীরকপা, আই. এস. থিংগোম ।

২৪। তাকপীরকপা, কৈশাম বীরসিংহ (চহী ৭০, পুং য়ৈবা, রামপ্রসাদপুর ) ।

২৫। তাকপীরকপা, য়ুম্নাম ইন্দ্রবাবু ।